"লৌমীনা কূল্লো লৌবুক্তা
শিন্মীনা চৎলো শিনশঙদা
লান্মীনা চৎলো লানফমদা।" - টি থোইবী দেবী

## ঐখোয় অমত্তনি

—ডো. অকোইজম ইবোহল

লাক্লে লাক্লে মেরা থা
অঙৈং-অশা শিন্ন থা
লাইনীং পরৈ চেৎনা থা
হরাউ মথোই কান্ন থা
তাইবঙ থম্মোয় শুম্মৎ থা;
মেঙনা লাকপা মেরা থাগী
থাজ থানিলগী মশেক মঙালনা
থৌজাল ঈরিক খিকপিরল্লসনু
পুনশিনবীরল্লসনু অমত্তা ওইবগী লীপুন্না
চীংবুরোই তম্বুরোই পূন্নমকপু;
তমগী শোন্নপুঙ খুদিংদা
থানগৎলসি মেরা থাউমৈ অরংবা
উরগা তাল্লবা চীংথকশিংদুদগী
খঞ্জরসনু চীংমী ইয়াম্বশিংদুনা
তম্পাক্কী মনাওশিং য়াইফরি হায়দুনা;
নোংদা লাইরেন পাখঙবা
চীংঙু মাগী সনাহাক্তক্তগী
লিক্লম কায়দনা চৎথরকপা
'মেরা হৌচোংবা' পাঙথোক্তুনা
নৌহৌননা নীংশিংলসি চীং-তমগী মরী;
চীংমী-তম্মী অনীমকসে
লৈখোক অমত্তদা শাৎমিন্নবা
লৈরাংনি উরিরৈ-মাধবীগুল্লবা
মণিপুর কৌবী ইমাগী
নাপ্পগী নাচোম ওইরিবা য়েৎ-ওইগী;
লৈমিন্নসি পুকচেল-খোয়জেল তিন্ননা
খোয়খা-লিনখা থান্নগুমসি
ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্নদ্রগা
কান্নবদি করিসু লৈরমগনি থাজদে
চফু কায়রগনা ক্লাক্লা হরাউখিগনি;
শোয়দবা কনাবু য়াওবগে
লান্দবা কনাবু লৈবগে
ঙাকপীবনা অথোইবা লাইনিংনি
নুংশিবনা পূন্নমকপু খুদুম চল্লসি
উৎলসি মালেমদা ঐখোয় অমত্তনি।

## ঐখোয় অনী

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

মানসু য়াই
ঐনসু য়াই
মীৎয়েং অমা
ৱাহৈ অমা
লোয়নমক
ইখঙ খঙনৈ
মহাক, ঐহাক।
মানা হায়বা
ঐনা য়াই,
ঐনা হায়বদা
মানসু য়াই।
ঙসি ঙরাংতা
খঙনরকখিবা নত্তে
কুইরবনি খঙনরকখিবা
ঙসিসু চৎমিন্নরি
হয়েংদি খঙদে
মানা হায়বা
ঐনা য়াই,
ঐনা হায়বসু
মানা য়াই।

## কোভিদ-১৯ মরক্তা

—এম নিলকুমারি

অমদা চৎলুই ফেস মাস্ক
অমদা চৎলুই হেন্দ সেনিটাইজর
অমদা উরুই
লৈশাবী মচা পুল্লপ-পুল্লপ
গাড়ী মচা ময়ায়দা
লৈশাবী মচানা ফন-ফন
মমাঙ মনিং পাখঙ অনী
পুংখাই অমা হৌখ্রগা
লানপাউ লাকই চীংয়াগী চীংচেপ্তা
তুরেলগী ঈরোলনুংদা
তাদুনা লৈহৌরে তগৎ-তগৎ
থৱায় য়াওদনা
কনাগী মচা মশুনো
'ও-হো' গাড়ী থাও লোইখিদুনা থাদরন্নবোই
মীয়ামগী ইনিল য়া-য়া, ৱা-ৱা
কোয়শিল্লি মীয়াম্না কৃক-কৃক
খোঙগ্রাও শেৎপী লৈশাবী
মপা-মমা, মচিন-মৌপ্পাদগী
বিদাই লৌরক্ল মাল্লেদো।
নুংঙাইবগী ঈপাক্তা নোক্লা-খেনা চৎমিন্না
লমজেল চেল্লিবরা
মঙফম অমগী মথং মপোক ঙাইনরো।
শিবগী শিবা অমহানি কোভিদ-১৯।

## হঙোইনি হঙোই মতমসিগী

—এন জি মঙাং

ঙসিদি মণিপুরগী পোলিটিসিয়ন
হঙোইগী হঙোই ঙাক্তা
মশাগী আইদিওলোজি লৈজদবা
মশাগী ওইজবতা খল্লবা
হঙোইনি হঙোই মতমসিগী!!
লৌ খাওবদগী হৌরকখিবা
খূবাক্তা অমুক চোঙ
খূবাক্তগী থম্বালদা অমুক
থম্বালদগী খূবাক্তা খঙহৌদে
হঙোইনি হঙোই মতমসিগী!!
খূবাক পায়দুনা লাকখিবা
খূবাক থাদোক্লল্লগা চোঙখিদো
থম্বালনা মফরে লাউরুখি
কুইখিদে খূবাক্তা হনখ্রে
হঙোইনি হঙোই মতমসিগী!!
ফৌ চরোং থাঙ্গোল থাদোক্লম
থম্বাল তম্না চোঙখিবা
থম্বাল কুইনা পায়রমদে
খূবাক তম্না চোঙখ্রে
হঙোইনি হঙোই মতমসিগী!!
মীয়ামগী য়াইফনবগী মীংদা
মশাগী ওইজবতা খনবা
মশাগী পল্লেপফম লৈজদবা
করম্বা লুচিংবনো নখোয়বু
হঙোইনি হঙোই মতমসিগী!!
হঙোইশিংনা মশাগীতা খল্লিঙৈ
চোঙথোক চোঙশিন তৌরিঙৈ
লৈঙাক মরা চেৎতরে
চাওখৎ থৌরাং থিন্থহল্লে
হঙোইনি হঙোই মতমসিগী!!
মীয়ামসু মীকপ থোক্লোগবা
ঐখোয় পূন্না লেপমিন্নরসি
পল্লেপফম লৈত্রবশিংগী মায়োক্তা
পাড়া অমা তম্বীহৌরসি
য়াদে হায়বা খঙহল্লসি!!!

## হিংনবা হোৎনরসি

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

মীয়াম চেকশিনবীয়ু
যূম যূমদগী হেন্দোকপীগনু
মালেমগী অহুমশুবা লালনি
কোভিদ-১৯ লাল চঙলক্লে
মীওইবা থৌশাদবা তৌবীনু।
চাবা শেৎপা থিদা
ইশা ইশা ঙাকথোক্লবা
যূম যূমদগী ঙাকথোক্লবা
মীয়াম পূম্বা হোৎনবীরো
খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি।
তমথীরবা মহাক্কী লাঞ্জং
মীপূম খুদিং কিনীংঙাইনি
মীওইবা অমত্তা হিংদনবা
মহাক্কী ফিরেপ লৈখ্রে
ঐখোয় চেকশিনবা তাই।
অসুক তমথীবা মহাকসে
মীওইবা ঐখোয়গী য়েক্লবনি
মঙোন্দগী নাম্থোক্লবা হোৎনবা
অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি
মীওইবা ঐখোয় পংগুমসি।
মালেমগী ইচিন ইনাওশা!
ফনা কন্না চেকশিন্না হোৎনরসু
মহীক মহাক্কী লাঞ্জং কনখৎলক্লি
মফম খরদা মহাক মায়থীরসু
মফম কয়াদদি অরোইবা লাঞ্জংলি
ঐখোয় শোয়দনা ৱাননি খল্লে।
কোক অমগা কোক অমগা পুনশিল
পোথি কয়া পুথোক্লবা হোৎনবিরো
মহাকপু মায়থীবা পীবা হায়বসি
মীওইবা ঐখোয়গী অচেৎপা ফিরেপ্না
মালেমগী মীওইশিং থৌশাদবা তৌবীনু
মীওইবা মুখৎলগে খন্না হোৎনরি।
লালনি লাল অকনবা লাল
মীওইবা মুখৎলগে খনবা লালনি
চেকশিন্দবা তৌগুমসি হে মীওইবা।
অশিবতনা মাঙই হায়বা কাউগুমসি
হেন্না হেন্না অসুম কনশিল্লকই
ঐখোয়সু হেন্না হেন্না চেকশিনসি।

## মতমদো নুংশিরকই

—তবানু খুরাইজম

অঙাং নৱা ওইরিঙৈ পুন্সি
ঙসিদি কয়াদা খেন্নবা খোঙচৎ
মনীং ফোৎলবা খোঙ্গ্রাও হাফপেন শেৎ
মচু থোক্লবা নঙ্গলদা ঙাবোং ফী
বোড়া শেগাইবা অমা য়ান্দুনা
লাইরিক তম্বা চৎলম্বা মতম
মতমদো নুংশিরকই।
য়াইহরি পায়বা ওজাগী মতৌ
কল্লাক নিকনৈ কিনৈ মহৈরোয়
নোংমগী পাড়া ফাদবা য়াদে
লাইরিক্তা থৱায় য়াওনৈ মতমদো
নুংশিনৈ খৎনদে ইচম চমনৈ
নুংশিরকই মতমদো খল্লুরগা।
মতমসিগী হুল্লিবা চৎনা নুংশিৎ
নঙগী নতিক নয়াইদি কল্লি
মীনা মীদা অখাবা মীৎয়েং
পূক্লিংদা নুংশিবা ফাওদবা থম্মোয়
করম্বা লাইচৎনা শেম্বনো খঙদে
নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে
লোনচৎনি মতমসিগী চৎনরোল
অঙম অঙম্বনা অচুম্বা শকপা
লৈখা তাবনা ঈরাক্লা লৈনরি
তম্বা ঙমদ্রবা ঙসিগী তাইবঙদা
মতম মতমগী জগোয় খূৎথেক্তা
পুঙলোন চানা য়ৈদবসু য়াদে
অদুবু নুংশিরকই অঙাং ওইরিঙৈ
মতম অমগী চৎন লোনচৎ
পুন্সি তাঙ্কক খরসিদা।

## ঙায়োক চফুগী লেল্লৈ

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

থাদোকপীরমদ্রবা নঙনা ঐবু
লমখাংসিদা।
অরেম্বদা মাঙলমগনি পুন্সিসে
চন্নফম খঙদা।
ওইরল্লোই ঐগী মায় পাক্লবা
পুন্সি অসে।
ঙায়োক চফুদ য়োকপা লেল্লৈগুম
ফ্রিং-ফ্রিং চোঙদুনা লৈরমগনি।
ফাজিন্দুনা ইনিং তৌবসু ঙমজদে।
খঙলল্লোই নীংথিজরবা মালেমগী ফজবসু।
ঙায়োক চফুগী লেল্লৈনা ঙসিদি
য়ৌজবা ফংলে পাক্লবা সমুদ্রগী ঈপাক্তা।
থেংনবা ফংজরে অচৌবা লেল্লৈশিংগা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# লৈপাক ৱাথোক ফি

পোকপদা ঙাইরিবা ষণনাও মচানা অমুক হৌগৎল তুর, হৌগৎল তুর তৌই। অহল লমনশিংনা হায়নৈ তুর তুরগা চাওবদি ষণনাওনি । তুখিবা ষন্নাও অমত্তা মখোং মখুৎ তেকখিদে। মণিপুরদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকসি য়াম্মী । ষণনাওনা তুর তুরগা চাওখৎলকপগুম মণিপুরদা থোল্লিবা থৌদোক-ৱাথোক ময়ামসি তোয়না থোক্ল থোক্লগা মণিপুরগী ফিভমসি হান্নদগী চাউখৎপা লমদম অমা ওইরকখিব্রা ?



Maring Khongkap Festival (Arrow shooting)



Wathok Phi-Phurit (Photo curtesy-Oja Matuwa Bahadur)

মণিপুর পূম্বগী য়েংলগা হান্নদগী অহোংবদি লৈরে, ইম্ফাল কৈথেল মনুংদা লৈকং থোং মচা, ফুট ব্রিজ অনী অহুম উরে। ট্রেন চঙলক্লবা থৌরাং লোইশিল্লক্লি । মতম অমা ইলেকট্রিক চাং নাইরমদবা, লোদ সেদ্দিংনা মশীং খঙদনা লৈরম্বা ঙসিদি কাওনরে। অদুবু,অতৈ মফমগা য়েংনরুবদা ইলেকট্রিক খ্বাইদগী চাং নাইদবসি ইম্ফাল মনুংদা উরিপোক মাইকৈনা ওইরি। ইম্ফাল ময়োলদি ওইরগা লৈরক খুল্লক কয়লাস থাদবা মফম য়াম্না লৈবা, ঈরম খোংলম মওং চাদবা, নোং খজিক তাবদা ঈশিং থূমগনবসু উরিপোক কেন্দ্রনা ওইরি। লম্বী ময়াইগী মৈঙাল বল্ব নোংমা নোংমগী য়াদবসু মশীং হেনগৎলকই। মল্লগসু চৎপা অদুম হৈনৈ । উরিপোক মাইকৈগী মীয়াম্না ৱা অমত্তা ঙাঙজদনা খাঙবা উই। মীয়াম্নদি পেঞ্জরল্লোই। মহৌশানা উরিপোক মাইকৈগী মীয়ামদি ৱা কয়া ঙাঙগন্দে, ৱাকৎকন্দে, হায়জগন্দে। ফল্লম্বদগী হৌগৎপদা তপ্না হৌগৎচৈ । মশাগী ইজ্জৎ অমদা ঙম্নবা হিংনবা লমদম ওইরকই। য়ানা য়ানবা, ঙম্ন ঙম্নবা অদুম হোৎনজরকপা ঙাক্তা ওইনা তৌরকই । ঙসিসু উরিপোক মাইকৈগী মীয়াম ৱা ঙাঙদে,অৱাৎ-অপাগী ৱাকৎপগী পাউ তাজদে। ওইরিবা মওংসি চাউয়েং উজবদা তুমিন্না লৈজবা মবুক তপ্না কেন্দ্রসি উরিপোক ওইগনি। ময়াম্না হায়নৈ উরিপোক্তা অৱাংবা দুইটলা শাবা পাক উরোই। দুইটলা শাবা উরবদি যূমদু খুন্নৌ নৎত্রগা মীতোপ্লি। পৈশা পায়বা মীতোপ্না হিঙ্গোল লৈররগা শারবা ওইগনি। হৌজিকপুদি নুংঙাই য়াইফবা ইমুং মনুং খর খর লৈরক্তুনা পকা ব্যান্ডিংগী যূম শাবা য়াওনরে। ৱানা শেন তাঞ্জরগা, শুরু নোমলুরগা মচা মশু অফবা য়াওরক্তুনা শাজবনি । নুংঙাই য়াইফবা ইমুংগী মশীংদি য়ামদে। হায়জনিংবদি উরিপোক্কী মীয়ামদি থায়নগী ওইবা যূল্লৈ কৈরৈ, পূন্সি মহীংদা অয়াম্বা চম্না লৈনৈ। লৈপাক্কী থৌদাংদদি শরুক চাউনা য়ারকপা, লৈপাক নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা, কোনুংনা খঙবা মচিন চৎপা মাইকৈ অমদি ওইরকই হায়নৈ।

মাঙলমচৎতগী হৌনা মনা মণিল নাইদনা,মশক নাইবা ফিদম্নফম স্কোলার,পণ্ডিৎ,ওঝা-গুরু কয়া পোকখিবা লমদসি খুৎ থেক্তুনা য়েংজবদা মণিপুরগী মনুংদা উরিপোক কাংচুপ রোদ অসিসু অমা ওইগনি। উরিপোক মহারাণী থোংদগী কাংচুপ চীংখোং ফাওবদা লৈবীরমখিবা অহল লমন মশক নাইখিবসি ফনা য়াম্মী। মখোয়না লৈরমখিবদু মৈতৈগী যূমজাউশিংদনি । মখোয়না তৌবীরমখিবা থবকশিং মণিপুরপূম্বগী ওইখি। মাইকৈ অসোমগী ওঝা গুরুশিং মীয়াম্না ইকায় খূম্নবীখিবা ঙাক্তা ওইরমখি। অহল লমনশিং অদুনা তৌবীরম্বা খরা অদুনা ঙসি মাইকৈ অসি মীয়াম্না শোন্নবীবা নত্তনা উরিপোক্তা অহেনবা অচঙবা ঙসিগী মীরোলদা মমাংঙৈ, মতম অমগুম্না মীয়াম্না ইকায়খুম্ননিংঙাই ওইবা অহল লমন,ঐখোয়না খঙজবা ওঝা অনী অহুম নত্তনা হৌজিক মশীং মঙাফাওবা শুরকত্রব্রা হায়না থৱায় ৱাজে। পৈশা পায়বা, লাইরিক হৈবা মীবুদি পংলৈ লৈরম্বসু য়াই ।

ইজরিবা ৱারেংসি উরিপোক্কী ৱারেং নৎচদে। ৱারেংসিগী ৱাহৌনি। ইমাসি এম কে বিনোদিনিনা হিংলিঙৈদা 'য়াইস্কুলগী য়াই' হায়দুনা ৱারেং অমা ইখি । ইম্ফালদা খ্বাই য়াইস্কুল হায়রগদি মীয়াম্না ইকায়খুম্নখিবা মতম অমা লৈরমগুম তৌই। নিংথৌখোংজম পাবুং তোম্বী,এক্স এম,পি ওইবিরম্বনা ইমাসি বিনোদিনীগী ৱারেং অদু তারগা উরিপোক্কীসু য়াই লৈ হায়দুনা হিংলিঙৈদা উরিপোক্কী য়াইগুল্লবা অহল-লমনশিংগী ৱারী লীবীরম্মী। পাবুং তোম্বীগী ৱাফমদু য়াইস্কুল অমদি উরিপোক চাংদম্নবা, শীংনবসু নত্তে। য়াই হায়বসি য়াইস্কুল অমদি উরিপোক খক্তা নত্তে, মশক নাইবা লমদমসিগী তাঙলবা অহল লমন, ওঝা-গুরুশিং অসিদি লম লম খুদিংগী পানা খূদিংগী লৈরম্মী, হৌজিকসু লৈরি হায়না নীংশিংবীরম্বগী ৱাফম্নি। ৱাফম অসিগী লীখুনসি ঐনা অসুম লীদুনা য়েংজবদা মণিপুর পূম্বগী ওইনা মশক নাইবা, লৈপাক্কী খনবা মরৈবাক নুংশিবা,কৎথোকপা ঙম্বা, নাৎ,লাইনীং লাইশোনবু চাউখৎহনবা পামজবা মীওইসি ঙল্লিঙৈদনা খরা হেনখিব্রা ? মখোয়শিংদি অমগা অমগা ৱা তানৈ, চঙথোক চঙশিন তৌনৈ, ইকায়খুম্নবা উৎনৈ । হৌজিক্লা অমগা অমগা থরুম তৌনবগুম, পিরাই ঙাক্ল চৎনবা উজে । মসিনরা খঙদে চাউখৎপগী চাং মান্ননা উবা ফংদে।

হৌজিক্কী মতমসিদা অপূনবা মণিপুর অমা শাগৎলকপগী ৱারী লীবদা, খন্ন-নৈনরকপদা ইম্ফাল ঙাক্তগী ৱারী লীবনা য়াদ্রি। চীংগী লমদম উখ্রুলগী, মাওগী, তমেংলোংগী ৱারী য়াওদনা, মোইরাংগী ককচীংগী,অন্দ্রোগী, ফয়েং সেকমাই ৱারী য়াওদনা ইম্ফালখক্তগী ৱারীনা মণিপুরগী ৱারী ওইনা লীবা মপূং ফারোই । লানসু লানগনি । মতাং অসিদা লোইনমক পনবগী মফমদি লৈতে অদুবু মোইরাংগী 'ৱাথোক ফি' হায়না খঙনখিবা থৌদোক ৱারী অমা নীংশিংলকই।

মোইরাংদা থোকখিবা থৌদোক ৱারীসি য়ামখ্রে । মোইরাংদা নত্তে মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তনি। মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীসি ঐখোয়না থোইদোক হেন্দোক্লা অৱাংবা মফম অমদা থম্নরি। মোইরাংদা চীংখুনহা তেলহৈবনা নিংথৌ ওইনা পানবা মতমদা, মনাও ইবুংঙো চীংখুবনা যুবরাজ ওই। মোইরাং থোইবী যুবরাজ অসিগী মজা ইবেন্মনি। মোইরাংগী কংলৈরোলদা ঙসি ফাওবা মজাইবেন্মগী ৱারীবু শক শোন্নরি। মজা ইবেন্মা থোইবীনা শাবা ফিসি ফজে হায়নৈ। ফি অমখক্তি মপা ইবুংঙোনা পুক্নিং খোইদাখি। মমোম লাংলেনদা পীনবা হায়নৈ। শাবা লোইখ্রবা মতুংদা মপাবুংনা পামজখিবা ফিদো পীরো হায়রুবদা ফিদু মফম খঙদনা মাঙখি হায়না খুমখি । চিংনবদগী মপা ইবুংঙোনা ফিগী খোঙ্গুল লীখি। উকায় কাপ্পগী থৌরমদা থোইবীনা শাবা, মাঙখ্রে হায়রিবা ফিদু খম্বনা ফুরিৎ লিৎতুনা লাকপা উবদা মপাইবুংঙো চীংখুবা মৈ হৌনা শাওখি। খম্ববু উকায় কাপ্পগী থৌরমদা তেন্না কাপ্লগা হাৎনবা থৌরাং তৌখি। ফি অদুনা মরম ওইরগা মোইরাংগী উকায় কাপ্পা থৌরম চায়নপুং,লানফম ওইরকখি। ফি অদুবুনা 'ৱাথোক ফি' ওইখি। চিংখুবা যুবরাজনা খম্ববু পামখিদে। মচা ইবেম্মনা শাবা ফি অদু মাঙখিবা নত্তে পামদবা খম্বদা পীখিবনি হায়বা খঙখি । খম্বনা ইচম চম্না ফুরিৎ ওইনা লিৎলগা লাকপদা যুবরাজনা উখিবদগী শাওদুনা খম্ববু উক্কায় কাপ্পগী নমাদা তেন্না কাপ্নবা থৌরাংখিবনি। 'উকায়কাপ্পা' হায়বসি য়াম্না মরুওইবা লৈপাক্কী ওইবা থৌরম্নি। মোইরাংখক্ত নত্তনা ইম্ফালগী কংলাদসু পাংথোকখিবগী ৱারী লাইরিক লৈরি। চীংদসু মরিং ফুরুপ্না 'খোঙকাপ' হায়দুনা তেন কাপ্পগী থৌরম পাংথোকই। উকায় কাপ্পগী মরুওইবদি, তিনমু লাইমু ফত্তববু তেন্না কাপ্তুনা তাম্থোকপা থৌরম্নি । থৌদোক ৱারীসি পেনা অশৈবশিংনা শকপীরগদি য়াম্না শাংগনি। মচং অদুতমক ৱারী ওইনা থমজবনি।

নৈনজনিংলিবা ৱাফমদি-ৱাথোক্কী মতাংসি ঙল্লিঙৈদসু অদুম মশীং খঙদনা লমদমসিদা মরম অমগীবু ওইরগসু অদুম হেক্তা থোকলকই। উক্কায়কাপ্পদা থোকখিবা অদুগী ৱারুবু ঙসি ফাওবা 'ৱাথোক ফি' হায়না খঙনদুনা ফি মখল অমা ওইনা খঙনদুনা লৈরি। ওঝা মতুৱা বহাদুরনা ফোঙবা লাইরিক 'ত্রেদিস্নেল টেক্সটাইলস ওফ মণিপুর' অসিদা ফোটোগা কোন্ননা য়াউরি। নিংথৌখোংগী মফম অমদা অশেংবা ফি ওইনা হৌজিকসু লৈরি। 'ৱাথোক ফি' অসি অশেংবা ফি ওইনসু হৌজিক মিৎনা লৈবা উরিবনিনা অশেঙবনি থাজনৈ, মিউজিয়ম পিছ ওইনা অদুগা আর্কাইবেল প্রোপর্টি অমা ওইনা লৈরি। থৌদোক অসিদগী ঐখোয়না খঙহৌবা তমহৌবা য়াবসি পোৎলম অনীনি। মী খঙহন্নিংদনা লোন্না থুপ্না তৌবা থবকসি হেক্তা খঙলকই । অঙম অথৌ, অচৌ মচা হায়বা লৈতে, ৱাথোক্তগী লাম্থোক লাকই হায়বা অমা। অনীশুবনা, ৱাথোক ওইরবা ফি মখল অসি মসিনি হায়দুনা মীয়ামদা খঙহন্দুনা তুংকোইনগীদমক উহন্দুনা খঙহনবা অসিনি। অকোনবগী অনীশুবা ৱাফমসি হেন্না মচা খায়না মনুংহুৎনা নৈনবা য়ারি। মোইরাংগী 'ৱাথোকফি' অসিদি ফত্তবা তৌবরোমদা হেন্না মীয়াম্না খন্নরক্তে। অরানবা তৌবা ওইনসু লৌনরক্তে। লাই হাক্তক্কী নৎত্রগা লিজেন্দরী ৱারী ওইনা লৌনরি। থৌদোক ৱারী অমা মাঙদা থল্লগা অকোয়বগী মীয়াম, মীয়াম অদুনা লৌরিবা ৱারেপ, মদুগী মরুমদা লৈরিবা মীওই খরগী রাজনীতি কুতনিতিনি হায়বা তায় মদু তাক্লবা হোৎনরকপদা 'ৱাথোক ফি' অসি ফাইল তৌরকপনি হায়বা য়ারি। করম্না ৱাথোক অমগী হৌরকফম ওইহনবগে তাক্লবা 'ৱাথোক ফি'অসি মীয়ামদা উহল্লকপা ওইবসু য়াই।

ঙসিগী মীরোল হৌজিক্কী মতম অসিদসু থৌদোক কয়া থোক্লি । মোদেল অমা ওইনা, রিপ্লিকা অমা ওইনা লান্না শীজিন্নরুবদগী লৈপাক ৱাথোক ওইখি তৌবা য়াদেকো হায়বা নীংশিং খুদম ওইনা ৱাথোক ফি অসিগুম্না তুংদা খঙহৌনবা থম্বগী থৌরাং ঙসিগী মীরোন্না লৌখৎপা উদে। উক্কায় কাপ্পদগী ওইখিবা, ৱাথোক ফিদগী তম্নিংঙাইসি য়াম্না লৈরি । চীনবুং ৱারী ওইরবসু, ঈশৈ ৱারী ওইরবসু মমাঙগী থৌদোক ৱারীশিং অসিনা ঐখোয়দা পারা অমমম তম্বীরি । ড্রাগ ললোনবা অমগী চৈরাকসি চহী ২দগী ৪ ফাওবা কৈশুমশঙদা থম্বা অমদি লুপা লাখ অমগী ৱারকসেন থীহন্নবা ওর্দিনান্স অমা জারিনবা শেন্নগী ৱাফম নুংতিগী ফোঙবা পাউদা থেংনখি। অফবা পাউনি অদুবু খ্বাইদগী ফবদি হন্দক্কী মীওই অসিদগী হৌরে হায়দুনা মোডেল অমা থম্বা অদুনা হেন্না চৈবী চৈথেং নংদুনা লূম্না লৌনগনি খল্লি। মথংদগী হৌরনি পাস তৌরে হায়না মতম য়ৈথোক য়ৈশিন তৌবসিনা মমাংদা চৎখিবা মীওইদি শম্নাদা নাম্থোকহৌইদা হায়দুনা মোমোন নোকখিগদৌরি। উক্কায় কাপ্পসি মতম অমা চৎনরম্বা, ফত্তবা তিনমু লাইমু তানবগী থৌরমনি । থৌরম অসি ঙসি চৎনদ্রগসু চৎনরম্বগী মশক অসিমদি মীয়াম পূন্না নীংশিংমিন্নবা চুমগদ্রা খঞ্জে ।

\- মাখোনমনি মোংসাবা

# রাগ দরবারী-৬৮

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা...)

গঞ্জহেশিং তশেংনমক অঙকপা অমগা লোয়ননা লাইশঙদগী মপান থোক্লক্লে। পুজারি অদুনা থোং ময়াদা লাক্তুনা লাউরদুনা হায়রকই, 'ঐদি ঙসাইনা মশক উবদা খঙলবনি, মখোয়সি খৃষ্টান চৎপা মীওইশিংনি হায়বা। ফোরেনগী মচাশিং। করিগুম্বা খরা চবেং-চবেং ঙাঙবা তল্লগা হায়রিবনিনে মসি লাইরেম্বী নত্তে কাইনা। নুমীৎ ৪গী মতুংদা হায়রকপসু য়াই ঐখোয়গী ইপা, ঐখোয়গী ইপা নত্তে হায়না।'

সনিচর অমদি জোগনাথ থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফানা খঙলমদে। অদুবু মখোয়সু মখোং-মখুৎ কাউরদুনা কন্না-কন্না লাউরম্মী। মতম অদুদা রুপ্পন বাবু মহাক্কী হৌন-লোনচৎ অমদি বুধি-লৌশিং অমুক লাকপা হৌরকখি। মহাক্লা রঙ্গনাথকী মখুৎ পায়রদুনা হায়, "চৎলসি দাদা।" পুজারিগী মায়কৈরোমদা অমুক হন্না য়েংলদুনা খোঞ্জেল হৌনা হায়রকই, "তাও মহারাজ, মেলে-থেলেগী মতমদা য়াম্না পাঙ্গল ফুদোক্নু। নহাক চহী য়াম্লবনি, গাঞ্জাগী নিশা কোক্তা কারিকো।"

পুজারি অদুনা মখোঙ লৈমায়দা থিল্লদুনা করিগুম্বা খরা হায়গে হেক তৌবগা মহাক্লা অমুক হন্না হায়, "য়ারে-য়ারে থৌনা য়াম্না লৈবা শারক্নু। ঐখোয় শিবপালগঞ্জদা লৈবা মীওই ঙাক্তনি। মখা তানা ঙাঙলক্লগনু, তুমিন্না লৈরো।"

খরা থাপ্না লাক্লবা মতুংদা রঙ্গনাথনা হায়, "ঐগী অশোয়বনি। ঐনা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা হায়রল্লোইদবনি।"

রুপ্পন বাবুনা থেল্লদুনা হায়, "নঙনা হায়রিবদু চুম্মী। অদুবু নঙগী য়াম্না চাওবা নরালদি নত্তে, নঙনা লাইরিক হৈরুবগীনি।"

সনিচরনা হায়, "লাইরিক হৈবা মীনা লাইরিক-লাইশু হৈবা মীগী মতৌগুম্না ৱা ঙাঙই। করম্না ৱারী শাগনি হায়বা অশেংবা ৱাফমদু হেক-হেক কাউথোকই। চুম্বরা জোগনাথ?"

জোগনাথনা পাউখুম পীদে, মরমদি মহাক মতম অদুদা মী চিল্লবা মরক অদুদা চঙশিন্দুনা নহা ওইরিবি নুপীশিংগী মরক্তা ইন্থোক-ইনশিন তৌরিঙৈদা য়াম্না বিজি ওইখি অমদি মহাক্কী মায়থোং য়েংবদা খঙবা ঙম্মি মদুদি অদুগুম্বা মী চীনবা মরক অদুদা অদুমক বিজি ওইনা লৈবা পাম্মি।

সনিচরসু হৌজিক মেলা চৎপগী খোঙচৎকী মতৌগুম্না চৎপা হৌরকই। মহাক্লা খোঙ লাউনা-লাউনা থাংলদুনা পিক্তু শাফবনা লৈরিবা অথুম-অহাও য়োনবা দুকানশিংগী মায়কৈরোমদা লাক্লম্মী। মহাক্লা লম্বীদা চৎলিবা অহল ওইরবা মীওই কয়াদগী মাং থারদুনা চৎলিবা নুপীশিংগী লেংবান্দা নুংশিনা মখুৎনা থেংল-থেংলদুনা নুপীশিংগী মশা শোক্লা চৎলম্মী। অদুগুম্বা অরানবা থবক অদু মী চিনবা মরক্তা তৌবা ধর্মগী মতুংইন্না করিসু কাইদে হায়না ইবগী মতৌগুম। অদুগুম্বা থবক অদু তৌনবগীদমক মশা পারবা শোন্দম-নাদম্বা মঙোন্দা ইখঙ খঙহৌদনা থৌনা অমা লাকপগুম তৌই। মদুদি টোনিক শেম্নবা অমেরিকাগী কম্পনিনা মহাকপু 'পেপ' কী এদভরটাইজ তৌবা য়াই খন্দুনা মহাকপু শারংগা লোয়ননা লৈখিবা য়াই; অতোপ্পা ৱাফম অমনা হৌজিক মহাকপু শারংদা থম্নবগীদমক শারং শাদ্রি।

রঙ্গনাথ য়াম্না শাউগৎলক্লম্মী। সনিচরগী মখুৎনা লৈশাবী অমগী খজাইদা পায়গে হায়না মখুৎ থাঙ্গৎলকপদা মহাক্লা সনিচরগী মখুৎ অদু লৈথেল্লগা ফাজিন্দুনা থমদুনা হায়রকই, "করিনো নঙনা তৌরিদুবু?"

সনিচরনা মমিৎ লাউথোরক্তুনা হায়, "মসি লমহেনবা থবক নত্তে গুরু, মসি মেলানি।" ইখঙ খঙহৌদনা অমুক য়াম্না নোল্লুকপা অমগী মতৌগুম ময়া কাথোরক্তুনা হায়রকই, "গুরু, খুঙ্গংগী মেলাগী মতাংনি। মফম অসিদদি অসুম্না লোয়না অদুমক তৌনবনি গুরু।"

প্লানিং কম্মিসননা করিগুম্বা ৱাথোক অমগী মতাংদা থেমজিন্নবা হোৎনবা মতমদা অনৌবা অঙ্গ্রেজিগী ৱাহৈ খরা শীজিন্নবদা হরাওবা অদুদগী হেনবগুম সনিচরনা 'অঙকপা' ৱাহৈবু মচিন্দগী তোয়না ঙাঙলম্মী। মহাক্লা থম্মোয় মনুংদা খল্লি মদুদি প্রধান ওইরবা মতুংদা মহাক অসিগুম্বা ৱাহৈ অসি নোংমদা য়ামদ্রবদা অহুমলক চাং নাইনা শীজিন্নগনি হায়না।

অথুম-অহাও অমদি চাট য়োল্লিবা দুকানশিং অদুগী মমাংদা মী য়াম্না চিনবা উই। ইন্দিয়াগী অথুম-অহাওদা তোঙানবা মখলগী মশক ফজহল্লবা বর্ফি কয়া পৈর-পৈরদুনা লৈরম্মী। অদুগুম্বা পৈরগা লৈরিবা বর্ফিশিং অদু নুপামচা খুদিংনা খঙই মদুদি খৎন-চৈনরকপা মতমদা মদু নুং মচা-মচাগুম শীজিন্নবা য়াই হায়না। মিথাইশিং অদু শাবদা অথুম-অহাও শাবা মীওইশিং অমদি ফুদ ইন্সপেক্টরশিংনা অচৌ-অচৌবা সাইন্টিষ্টশিংগা লোয়ননা রিছর্স তৌবা মথৌ তাই, মহাক্লা য়াম্না কন্না হোৎনরবা মতুংদা খঙবা ঙম্মী মদুদি অথুম-অহাও শাবদা শীজিন্নরিবা মচাকশিং অদু অলু-চেংগী য়াম, লৈবাক নৎত্রগা ষনথি ফাওবা শীজিন্নবা য়াই। মখোয় পুম্নমক সিনক্রিটিজমগী ৱাখল্লোলগী মতুংইন্না চৎপা মীওই ঙাক্তনি। মহাক্লা ৱাশক লৌরম্মী মদুদি মখোয় অথুম-অহাও শাবদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পোৎয়ান য়াল্লগা শারোই অমদি য়োল্লোই হায়না।

দুকান অমগী নাকলদা পিক্তু শাফবা লেপ্তুনা লৈবা উরকই। মহাক মী চিল্লিবা অদুগী মরক্তা খজিক লাপথোক্তুনা মোরা অমদা ফমদুনা লৈরম্মী। উ মনানা শাবা প্লেট অমদা আলুনা শেম্বা পোৎশক অমা থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা চাদুনা লৈরম্মী। সনিচর অমসুং জোগনাথ রুপ্পন বাবুগী মনাক্তগী চৎথোকখ্রগা পিক্তু শাফবগী মনাক্তা চঙশিনখিরম্মী। সনিচরনা হায়, "গুরু, য়াথং লৈরবদি ঐসু বর্ফি অমত্তং চাওরা?"

পিক্তু শাফবনা সনিচরদা মীনুংশিগা লোয়ননা য়েংলদুনা মোমোন নোক্লকই। বোর পীবগী মওংদা হায়, "চারো-চারো। জোগনাথপুসু পীজৌ।"

উফুল অমদি হয়িংনা অদুগুল্লবা চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী অরুম্বা হেনগৎহনবগী থৌওং উবদা রঙ্গনাথকী থম্মোয় ইনুং-নুংঙাইতে। মহাক্লা রুপ্পনদা হায়, "নঙ করিগুম্বা খরা চাগেরা?"

মহাক্লা শাওরপ্না হায়, "ঐনা চারগা করি তৌদৌরিবনো?" হায়রদুনা মহাক্লা মী চিল্লিবা অদুবু কোয়না য়েংলকই। খরা থাপ্না মহাক্লা সিংহ সাহবপু উরকই, মহাক্লা সিংহ সাহবপু নোংমা লম্বীদা সাইকল থৌরম্বদা থেংনখিবনি। মহাক্কী মকোক্তা অথাবা মখল অমগী টুপি উপ্পি। মতম অদুদি মহাক সেনিটরি ইন্সপেক্টর ওইদ্রে। পুলিসশিংনসু ঙাক শেন্দুনা লৈরম্মী। সিংহ সাহবপু মীওই খরনা কোয়শিন্দুনা লৈরম্মী। রুপ্পননা হায়, "মবুক চাওবা ময়াম অসিনা মিথাই চারিঙৈদা ঐহাক মহাক্কা ঙাইহাক ৱারী শাদুনা অৱা-নুংঙাই হংলুখিগে।"

রুপ্পন বাবু সিংহ সাহবকী মনাক্তা লাক্তুনা লেপ্লরে। সিংহ সাহবকী মায়থোংদা নুমীৎ মরীনি-মঙানিদগী কোয় কক্তবগী মওংদা মকোয় শাংনা হৌই, মচিনদা খৈনি উম্বগী মতিন তারক্কদৌরে। অদুমকপু মহাক শুপ্নগী সোল হেটনা মরম ওইরগা মহাক মশা ফনা উই।

রুপ্পন বাবুনা হায়, "তাকপীয়ু সিংহ সাহব নুংঙাইরিকো?"

"কদাইদগী নুংঙাইগদৌরিবনো ইনাও! চলান তরা-তরা ককখ্রে। হৌজিক রুপ্পন বাবু চহী মতাং অসিদা করি তৌগদবনো গ্যান তাদ্রে। ইভিদেন্স পীনবগীদমক কোয়চেন চেনবদা খোঙগা লোয়না কুরোন হুগদৌরে।"

রুপ্পন বাবু মী চিনবগী লাংলিবা খোঞ্জেল মরক্তা তাননবা হায়রকই, "চালানগী মতাংদা অদুক ৱারিবদু করিগীনো, সিংহ সাহব! লুপা ৫-১০ পীথোকখ্রগা অদুমক ৱা লোইশিনবা য়াবদুবু।"

সিংহ সাহবনসু রুপ্পন বাবুগী মতৌগুম খোঞ্জেল হৌনা হায়রকই, "কনানা লুপা ৫-১০ পীগদৌরিবনো? অসোমদনা খোংচেৱালেদা চালান ককখ্রে, পূম্নমক লুপা ২-২ পীনবগী শেম শাদুনা লৈরি। ঐনসু হায় মদুদি চালান য়াম্না পাল্লগদি লৌরো হায়না পীখ্রবনি।" -মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।